# ইন্দিয়ান আর্মিনা হেন্না শাংবা রেঞ্জদা টার্গেটশিং থুগাইবা ঙম্বা এস্কেলিবর আর্টিল্লরি এম্ম্যুনিসন কাপখ্রে



*পোখ্রান (রাজস্থান), দিসেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়ান আর্মিনা রাজস্থানগী পোখ্রান ফয়ারিং রেঞ্জশিংদা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা এম-৭৭৭ অলট্রা-লাইট হোৱিটজরশিংদগী অমেরিকানা শাবা এক্সকেলিবর গাইদেদ লোং-রেঞ্জ অর্টিল্লরি এম্ম্যুনিসন কাপ্পুনা চাংয়েঙখ্রে।

চাংয়েঙ কাপ্পা অদু ইন্দিয়ান আর্মিগী দাইরেক্টর জেনরেল আর্টিল্লরি ওইরিবা লেফটনেন্ট জেনরেল রবি প্রশাদ য়াওনা আর্মিগী সেনিয়ার লিদরশিংনা য়েংখি।

চহী অসিগী ওক্টোবর থাদা পাউগী এজেন্সিশিংনসু ইন্দিয়ান আর্মিনা অমেরিকান প্রিসিজন-গাইদেদ এক্সকেলিবর আর্টিল্লরি এম্ম্যুনিসন অদু মখোয়গী ইনভেন্টরিদা হাপচিনখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

এক্সকেলিবর এম্ম্যুনিসন অসি দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা য়াম্না অথুবা কাঙলোন অমগী মখাদা লৈখিবনি অমসুং মসিনা হেন্না শাংবা অরাপ্পা মফমশিংদা লৈবা টার্গেটশিং থাবা ঙম্মি। এম্ম্যুনিসন অসিনা মসিগী তোঙান তোঙানবা ফ্যুইজশিং শিজিন্নদুনা বঙ্কর-টায়প ষ্ট্রকচরশিংগী মনুং ফাওজিল্লবা মতুংদসু, লোয়ননা নোংথক্তসু পোকখায়হনবা য়াই।

হৌজিক ফাওবদা চহী ২০লোম শুরবা অমেরিকানশিংনা থেংনরিবা অফগানিষ্টানগী লান অদুদা আর্টিল্লরি সেলশিংগী মপা চুন্না থাবা ঙম্বা হেনগৎহন্নবগীদমক এক্সকেলিবর গাইদেদ লোং-রেঞ্জ অর্টিল্লরি এম্ম্যুনিসন অসি অমেরিকানা পুথোকখিবনি। ইন্দিয়ান আর্মিনা হায়রিবা এক্সকেলিবর এম্ম্যুনিসন অসি কাপ্পকীদমক শিজিন্নবা য়াবা য়ু এসনা শাবা এম-৭৭৭ অলট্রা-লাইট হোৱিটজরশিংসু হাপচিনবা হৌখ্রে।

এম-৭৭৭ অলট্রা-লাইট হোৱিটজরশিং অদু কে-৯বজ্র অমসুং ধনুস হোৱিটজরশিংগা লোয়ননা নাশিক মনাক্কী দিওলালিদা ইন্দিয়ান আর্মিদা হাপচিনখ্রে।

ইন্দিয়ান আর্মিনা পুন্না এম-৭৭৭ হোৱিটজর ১৪৫ হাপচিল্লগনি।

লদাখ অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী অৱাংবা লমদমশিংদা চিনূক হেভি-লিফ হেলিকোপ্টরশিংনা নোংথক্তগী থাদরকপা য়াবা অমসুং অয়াংবা ওইবা মরমদগী এম-৭৭৭ হোৱিটজরশিং অসি চীংগী লমদমদা থেংনবা ৱারফিয়ারগীদমক মরুওইনা শিজিন্ননবা থৌরাং তৌবনি। কে-৯বজ্র হায়রিবা অসি লোং-রেঞ্জদা কাপ্পা য়াবা সেল্ফ-প্রোপেল ট্রেক হোৱিটজর অমনি। অদুগা ধনুস ১৫৫ এম এম -৪৫ কেলিবর টোৱদ গন সিষ্টেম অসি লম্মিৎ-তুমিৎকী ফিভম খুদিংমক্তা শিজিন্নবা য়াই।

১৯৮০গী চহীশিংদা আর্মিদা হাপচিনখিবা ধনুস হায়রিবসি বোফোরস হোৱিটজরগী দিজাইনশিংদা য়ুমফম ওইবা গন সিষ্টেম অমনি।

গনশিং অসি ১১০ হেন্না লৈনবা ওর্দনান্স ফেক্টরিদা ইন্দিয়ান আর্মিনা ওর্দর তৌখ্রে।

# হোং কোং স্কুলদা হায় এক্সপ্লোসিবশিংগা লোয়ননা য়ুমদা শাবা য়োৎপী-বোমশিং ফংলে

*হোং কোং, দিসেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ*



হোং কোং পুলিসনা ফোঙদোকপদা স্কুল অমগী গ্রাউন্দশিংদা য়ুমদা শাবা য়োৎপী-বোমশিং থেংনবদগী মখোয়না বোমশিং অদু দিফ্যুজ তৌখ্রে অমসুং হায়রিবা অদুগুম্বা দিভাইসশিং অদু সিটি অদুদা থোক্লিবা পোলিটিকেলগী চরাংনবা ইরাং অসিদা মরী লৈনৱ্রা হায়বদু থিগৎলি হায়খ্রে।

তোঙানবা মশক্কী দিভাইসশিং অদু মফম অদুদা লৈবা উবদগী বোম দিস্পোজেল ওফিসারশিংনা ৱানচাই দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ৱাহয়ান কলেজদা থুনা য়াঙনা চংশিনখি হায়না পুলিসনা হায়খি।

বোমশিং অদু করিমতা মপোপ কায়দনা মপুং ফাবা ফিভমদা, শিজিন্ননবা থৌরাং তৌবা মওংদা লৈরম্মি হায়না সেনিয়ার বোম দিস্পোজেল ওফিসার এলিক মেক হুইরটরনা ঙরাং নুমিদাং পাউমীশিংদা হায়খি। দিভাইস অনী অদু হায় এক্সপ্লোসিব কিলোগ্রাম ১০ য়াওই অমসুং মোবাইল ফোন অমা শিজিন্নরগা পোকখায়হন্নবা দিজাইন তৌবা রিমোট-কন্ট্রোল বোমশিংনি হায়খি।

বোমশিং অদুগী শাথিবা অমসুং থুগাইবা ঙম্বগী শক্তি হেনগৎহন্নবা য়ুমদা শাবা এমোনিয়ম নাইট্রেটনা য়ুমফম ওইবা এক্সপ্লোসিব অদুদা য়োৎপিশিংসু হাপচিল্লম্মি হায়রি।

হোং কোং পুলিসনা অসিগুম্বা মখলগী বোম অনী স্কুল অদুদগী ফংখি। মখল অসিগী বোম অসিগী থবক সুপ্নগী অমখক লৈ, মদুদি মী হাৎপা অমসুং মরোন থোকহন্দবনি হায়না সেনিয়ার ওফিসার অদুনা হায়খি।

বোম শারিবা মীওই অদুনা কলেজ অদু মহাক্কী টার্গেট ওইরম্মোই, কোন্না শিজিন্ননবা মফম অদুদা লোৎতুনা থমলম্বা ওইগনি হায়না পুলিসনা হায়খি।

মেনলেন্দ চিনাদা ফংদবা সিটি অসিগী নিংতম্বশিং চিনানা মুখৎখ্রগদ্রা হায়বগী চহী কয়াদগী হেনগৎলক্লিবা অকিবশিং অদুনা ঈথিল পীবা প্রোটেষ্টশিংদা মীওই মিল্লিয়ন কয়ানা খোঙচৎ চৎখি।

হৌখিবা থা ৬ হেনবদা হার্দলাইন প্রোটেষ্টরশিংনা টিয়ার গ্যাস রাউন্দ ১৬,০০০ লোম অমসুং রব্বর বুলেট ১৬,০০০ রোম কাপখিবা পুলিসকা চয়োলগী ওইনা মায়োক্নখিবদা হার্দলাইন প্রোটেষ্টরশিংনা চেকতুমশিং, পেট্রোলবোমশিং অমসুং লিরুং-তেন ফাওবা শিজিন্নখ্রে।

পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা প্রোটেষ্টর ৩ শোকখি অমসুং অরুবা ফিভমদা শোকখিবা অমত্তা য়াওখিদে।

ওক্টোবর থাদা মোংকোক দিষ্ট্রিক্টতা প্রোটেষ্টকী খূৎ থোক্নবশিংদা অপীকপা রিমোট কন্ট্রোল এক্সপ্লোসিব দিভাইস অমা পোকখায়হল্লকখি। মদুদা অশোক অপন অমত্তা থোকখিদে হায়না পুলিসনা হায়খি।

প্রোটেষ্টরশিংগী মথক্তা পুলিসনা রেইদ অমা চথবদা সেমি-ওটোমেটিক পিষ্টল অমা অমসুং মরু ১০০ হেন্না ফংখিবা অদুগী নোংঙানবদা য়োৎপী-বোম লৈরম্বগী থৌদোক অসি থোকখিবনি।

# গেং-রেপ তৌবীখ্রবী অমসুং মখৌরি মেখৎলগা শিরে হায়না লংথোক্লম্বী শত্তিসগড় নুপীনা চেন্নবা মীওই ৪ ফাহনখ্রে




*রাইপুর, দিসেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ*

মীওই ৪না রেপ তৌখিবী, অমসুং মখৌরি মেখৎলগা শিজরসনু হায়না লংথোক্তুনা থল্লম্বী মশাগী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবী নুপী অমা রাজনন্দগাওদা লৈবা মাগী মরী-মতা অমগী য়ুম ফাওবা অৱাবা ফিভমদা য়ৌরকখ্রে।

মহাক্না মায়োক্নখিবা খাংঙমদবা অৱাবা অদুগী চৈনাদগী ৱাখলগী অৱাবা কোক্নবা হোৎনবদা চয়োল অমা রোম হেন্না চংখি। মদুগী মতুংদা মঙোন্দা তমথিবা লিচৎশিংদা চেন্নবা মীওইশিং অদু লোয়নমক ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফাহনখ্রে। চেন্নরিবা মীওই অদু লোয়নমক মশাগী চহী ১৯দগী ২০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ঙাক্তনি।

ঈজৎ মাঙহল্লগা হাৎনবা হোৎনরম্বদগী হিংহৌরিবা মরাইবক থিরবী নুপীমচা অদুনা ইমুং-মনুংগী থৌরম অমগীদমক অতোপ্পা খূঙ্গং অমদা লৈবা মাগী অপোকপী মমাগী মখুরাগী য়ুমদা চৎখিবনি।

দিসেম্বর ২ নিংথৌকাবগী নুমিদাং অদুদা মহাক্না থৌরম অদুগী অমেৎ-অকাইশিং লংথোক্নবা মপান্দা থোক্লকখি। অদুবু লৈমাইদা পাকথরগা মহাকপু ঙাইদুনা লৈরম্বা মানবা মীওই ৪ অদুনা মাবু কোশিন্দুনা ফাখি অমসুং অচীকপা মফম অমদা পুথোকখি। মতেং পাংবীনবা লাও খোঙদুনা হোৎনখি। ইমুং -মনুংগী থৌরম অদুদা লাউদস্পিকর খোঙবা মরমদগী কনামত্তনা মহাক্না লাওবা অদু তাখিদে। মীওই ৪ অদুনা মহাক্কী মচিন্দা ফিবুন নমশিনখি অমসুং মখোয় শিন্ন-শিন্ননা মহাকপু রেপ তৌখি। মদুগী মতুং মখোয়না মাবু খৌরি মেৎলগা হাৎনবা হোৎনখি হায়না পুলিসতা থাঙ্গৎপা মাগী ৱাকৎতা হায়রি।

মহাকপু খৌরি মেখৎলগা থমলমখিবা অদুগী মতুং মহাক ৱাখল তাখিদ্রে অমসুং মহাক শিরে হায়না থাজরদুনা মীওই ৪ অদু চেনখি।

মহাক্না কোন্না ৱাখল তারক্লবা তুংদা মানা অঙম্বা মওংদা হোৎনদুনা মাগী মখুরাগী য়ুম অদু ফাওবা লাক্লবা হোৎনখি অদুবু থৌদোক অদুগী মরমদদি করিগুম্বা অমত্তা হায়খিদে।

অরোইবদা নোংমাইজিং নুমিৎতা মহাক্না মাগী মমা-মপাশিংদা থৌদোক অদুগী ৱারী পূম্বা তমখি অমসুং মহাক্না ফংতবা মীওইশিং অদু শোয়দনমক চৈরাক পীনবা ফিরেপ লৌখি।

মখোয়না মহাকপু খুদক্তা পুলিসতা পুখি অমসুং পুলিসনা থৌদোক অদুগী মরীদা এফ আই অমা রেজিষ্টার তৌখি।

# শিবগী চৈরাকনা রেপকী থৌদোকশিং লাকশিন্নবগী লম্বীনি ঃ কোংগ্রেস

*পানাজি, দিসেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ*

লৈবাক অসিদা নুপী-নহাশিংদা রেপ তৌবগুম্বগী হেনগৎলক্লিবা ক্রাইমশিং লাক্সিন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি শিবগী চৈরাক পীবা অসিনি হায়না ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা গোৱা কোংগ্রেস নুপীশিংগী ৱিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়া অসি হৌজিক মালেমগী 'রেপ কেপিটেল' ওইনা খঙনরে হায়বা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীগী ৱাফম অদু গোৱা প্রদেশ মহিলা কোংগ্রেস কমিটিনা শৌগৎখি।

হন্দক ইকুই কুইদ্রিঙৈদা মরান লৈজদ্রবী নুপীশিংবী রেপ তৌবা অমসুং হাৎপগী থৌদোকশিং মথং-মথং থোকখিবা অদুনা রাহুল গান্ধীনা হায়খিবা অদু উৎলে হায়না গোৱা প্রদেশ মহিলা কোংগ্রেস কমিটিগী প্রসিদেন্ট প্রতিমা কৌতিনহোনা হায়খি।

ঐখোয়বু হিংবা য়াদবা ফিভম অমদা ঐখোয়না হিংলোইদবনি। অঙাং ওইরিবী নুপীশিং রেপ তৌবা অমসুং হাৎপগী থৌদোকশিং থোক্লি। লৈবাক অসিগী মফম কয়ামুক্তা লম্বী-লমজাওদা নুপীওইবীশিং খুদিংমক্কী ৱাখলদা শাফবা পোক্রে। মসি থোক্লিবা অশেংবা ফিভম অদুনি অমসুং পোলিটিকেলগী ষ্টেমেন্ট অমা নৎতে হায়না মহাক্না হায়খি।



গোৱাগী কোংগ্রেস নুপী লুচিংবী অসিনা হায়খি, হৌজিক লৈরিবা লো শেমদোকপা অমসুং রেপ তৌবগী অমসুং হাৎপগী কনভিক্সন তারবশিং অদুবু মীয়াম মমাঙদা পুথোক্তুনা ফাঁসি তৌদুনা হাৎপগী মতম অদু লাক্লে। করিগুম্বা মখোয়দা অসিগুম্বা ক্রাইমশিং তৌরবদি মখোয় শোয়দনমক শাথিরবা ফলশিং মায়োক্নগনি হায়বগী অকিবা অমা মখোয়গী ৱাখলদা পোকহনবগী মথৌ তাবা অমা লৈরে হায়না প্রতিমা কৌনিহোনা হায়খি। অসিগুম্বা ক্রাইমশিংগী মতাংদা মালেমদা লৈরিবা লৈবাক পূন্নমক্না জেরো-টোলেরেন্স এটিচুদ অমা চথরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অসিগুম্বা ক্রাইমশিং অসি শিবগী চৈরাক খক্তনা লাক্সিনবা ঙমগনি হায়না মহাক্না অমুক্কা হন্না চেৎনা পনখি।

থাংজ নুমিৎতা কেরেলাদা মহাক্কী লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েন্সি ৱয়ানাদতা কোয়না চৎপা খোঙচৎ অমদা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা লৈবাক অসিবু ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা নোক্নদুনা করেন্নবীরে অমসুং ইন্দিয়াবু মালেমগী রেপকী কোনুং ওইনা খঙনরে হায়খি।

# রোহিঙ্গা জেনোসাইদ হিয়ারিংদা য়ু এন কোর্টতা ম্যান্মারগী সু চিনা ম্যান্মার দিফেন্দ তৌগদৌরি



*দ হেগ, দিসেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ*

মতম অমদা মালেম পাকশন্না মীওইবগী হককীদমক খ্বাইদগী শক্লাইরবী অমা ওইরম্বী নুপী অসিগীদমক ওন্থোক্না লৈখা তাবা মওং অমদা নোবেল পিস প্রাইজ ফংখ্রবী ওং সাং সু চিনা মীয়াম পাক্তক্লনা হাৎলি হায়বগী মরান শীরকপশিং অদুগী মায়োক্তা ম্যান্মারবু মশামক্না ঙাকথোক্লবা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ু এনগী মকোক থোংবা কোর্টতা থুংলখ্রে।

ম্যান্মারগী মহৌশাগী নাৎকী ফিজোল শেৎতুনা লৈবাক অসিগী সিভিলিয়ান লুচিংবী অসিনা লম্বীদা ঙাইদুনা লৈরম্বা মেদিয়াগী কাঙবুদা ৱা ঙাংদনা পুলিস আউটরাইদরশিংগা লোয়নরবা মোটোরকেদ অমদা দ হেগতা ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিসতা থুংলখি।

ৱেষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক গম্বিয়ানা পুখৎলকখিবা কেস অসি ম্যান্মারদা রোহিঙ্গা মুস্লিম মাইনোরিটিশিংগী মথক্তা ২০১৭দা মিলিটরিনা চথখিবা তমথিবা ওপরেসন অদুগী মতাংদা ম্যান্মারবু ৱায়েল হন্নবা অহানবা হোৎনরকপা অমনি।

মতম অমদা ওং সান সু চিবু নেলসন মন্দেলা অমসুং মহাত্মা গান্ধীগা চপ মান্নবা থাক্তা লৌনরমখি। অদুবু রোহিঙ্গাশিংগী মায়োক্নরিবা অৱাবা অদুগী মতাংদা মহাক্না ৱা ঙাংদনা তুমিন্না লৈখিবা অমসুং মহাকপু মতম অদুদা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখিবা চপ মান্নবা মিলিটরি আর্মি জেনরেলশিং অদু মহাক্না ঙাকথোকখিবা অদুনা মাগী ইন্টরনেসনেলগী মিংচৎ অদু অমকপা লৈহনখি।

ম্যান্মারগী অৱাং নোংচুপ থংবা রাখিনে ষ্টেটতা মিলিটরিগী তমথিবা কেম্পেন অদুনা মরম ওইদুনা লানজেন্নরকখিবা রোরিঙ্গা ৭৪০,০০০ রোম লৈরিবা বাংলাদেশতা মালেমগী ৱায়েনশঙদা চথরিবা ৱায়েল অদু য়েংগদৌরি।

আগষ্ট ২০১৭দা তুলা তোলি খূঙ্গংদা পাক্তক্লবা মীহাৎ অমদা মচিন-মৌপ্বাশিং অমসুং মপু-মবেনশিং হাৎখ্রবা নুর কারিমা কৌবী রোহিঙ্গা রিফ্যুজি অমনা হায়খি, ঐহাক্না মালেমদগী অচুম্বা ৱায়েল দিমান্দ তৌরি। ঐনা কনভিকশিং অদু ফাঁসি সগাইদা কাবা উবা পাম্মি। মখোয়না ঐখোয়বু নুংশি-হৈতনা হাৎখি হায়না খূঙ্গং অদুমক্তদগী অতোপ্পা রিফ্যুজি সাইদা খাতুন কৌবা অমনা হায়খি।

য়ু এন ইনভেষ্টিগেটরশিংনা হৌখিবা চহীদা ম্যান্মার মিলিটরিনা রোহিঙ্গাশিং অদুদা চথখিবা অদুবু জেনোসাইদনি হায়খি।

য়ু এন মেম্বর লৈবাকশিংগী মরক্তা খৎনবশিং ৱায়েন্নবা ১৯৪৬তা লিংখৎখিবা ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিস (আই সি জে)গীদমক নুমিৎ হুন্নিগী হিয়ারিং অসি ইতিহাসিক ওইরবা অমা শোয়দনমক ওইগদৌরি।

লৈবাক ৫৭কী ওর্গনাইজেসন ওফ ইস্লামিক কোওপরেসনগী মহুৎ শিন্দুনা মুস্লিমনা মেজোরিটি ওইবা গম্বিয়ানা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ু এনগী কোর্ট অসিদা ৱা ঙাংগদৌরি।

ম্যান্মারগী মিলিটরি ওপরেসনশিং অদুদা চথখিবা থবকশিং অদু রোহিঙ্গাশিংবু মপুম নৎত্রগা মচেৎ ওইনা হাৎপা, রেপ তৌবা অমসুং সেক্সুয়েল ভায়োলেন্সশিং অসিগী মওংশিং শিজিন্নদুনা মুখৎনবগী পান্দমদা চথখিবনি হায়না ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিসতা থমখিবা মখোয়গী ৱারোলদা গম্বিয়ানা হায়খি।

কোর্ট অসিদা মখোয়গী লৈবাক্কী দিফেন্দ তৌনবা লুচিংবদা মহাক্না অহানবা নেসনেল লিদরশিংগী মনুংদগী অমা ওইরবা মরম্না ম্যান্মারগী নেসনেল ইন্টরেষ্টস অদু মহাক্না ঙাকথোক্কনি হায়না সু চিগী ওফিসনা হায়খি।

মহাক্না হয়েং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মালেমগী ৱায়েনশঙ অসিদা ৱা ঙাংলবা য়াই অমসুং ৱাথোক অসিদা কোর্ট অসিগী জুরিসদিক্সন লৈতে অমসুং ম্যান্মারনা রোহিঙ্গা মিলিটেন্টশিংদা পান্দম থমখিবনি হায়না ৱায়েৎ পীরবা য়াই হায়রি।

# নোংলৈ-নুংশিৎতা মীওই ৯ শিখ্রে

*অন্টানানারিবো, দিসেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ*

মফমদুগী ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না চহী অসিগী অহানবা ট্রোপিকেল ষ্টোর্ম- সাইক্লোন বেলনানা অৱাং থংবা মদাগাস্করদা শিৎচিল্লকখিবদা মীওই ৯ শিখ্রে অমসুং মীওই ৩ থিবা খঙদ্রি হায়রি।

নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা নোংচুপ থংবা টাউন সোলালাদা হুমজিল্লকখিবদা মফমদুগী মীওই ১,৪০০ রোমগী ময়ুম-মকৈ মাঙ-তাকহন্দুনা ময়ুম লৈহনখিদ্রে। ঈশিং - ঈচাও থোক্তুনা অতেক-অকায় কয়া থোকখ্রে হায়না নেসনেল কেটাসট্রোফি মেনেজমেন্ট ওফিসকী কর্নেল এলাক ওলিভিয়র এন্দ্রিয়াকাজানা হায়খি।

নোংলৈ-নুশিৎনা ময়ুমদগী তাম্থোক্লকখ্রবা মীওইশিং অদু প্রাইমারি স্কুলশিং, মোস্কশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ওফিসশিংদা মতম খরগী ওইনা লৈফম ফংখ্রে। অদুবু হৌজিক চাননবা চিঙাক্কী মথৌ তারি হায়না কর্নেল অদুনা হায়খি। গভর্ণমেন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব বিল্ডিং কয়ামরুম অমসুং লম্বী কয়া শোকহনখ্রে। সমুদ্রগী লম্বীদা সোলালাদা ইমজেন্সি ফুদ রেসনশিং পীরগনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি। টাউন অসিগী য়ুমশিংগী চাদা ৮০গী য়ুমথকশিং নোংলৈ-নুশিৎনা হুমদোকখ্রে হায়রি।

# সেনাগী ৱাহংশিং শেংদোক্ত্রিবা ফাওবা রাজ্য সভাদা ঐখোয়না সিটিজনসিপ বিল শৌগৎলোই ঃ থাক্করে



*মুম্বাই, দিসেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ*

লোক সভাদা শিব সেনানা পুখৎখিবা ৱাহংশিং অদুগী মতাংদা ময়েক শেংবা অমা ফংদ্রিবা ফাওবা রাজ্য সভাদা পাস তৌনবা সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট)বিল পুথোরকপদা শিব সেনানা শৌগৎলোই হায়না ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শিব সেনাগী লুচিংপুরেল অমসুং মহারাষ্ট্রা চীফ মিনিষ্টর উদধব থাক্করেনা অকনবা ৱাফম অমা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং লোক সভানা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল অদু পাস তৌখি। বিল অদু লাইনিংগী মতাংদগী মীওৎ মীনৈ মায়োক্নরবগী তুংদা পাকিস্টান, বাংলাদেশ অমসুং অফগানিষ্টানদগী ইন্দিয়াদা চেল্লকখিবা মুস্লিম নৎতবা রিফ্যুজিশিংদা ইন্দিয়ান সিটিজনসিপ পীনবগীনি। হায়রিবা বিল অদু পূং ৭ হেন্না শাংনা মৈ হৌরবা দিবেট অমগী মতুংদা ঙরাং নিংথৌকাবগী অহিংনোংয়াই মতুংদা পাস তৌখিবনি।

শিব সেনানা বিল অদুবু লৱার হাউসতা শৌগৎখি। অদুবু বিল অদুগী মতাংদা মপুং ফাবা দিস্কসন অমা অমসুং দিবেট অমা মথৌ তাখি হায়না মুম্বাইদা পাউমীশিংদা থাক্করেনা হায়খি।

মোদি গভর্ণমেন্টনা বিল অদু থবক ওন্থোকপদগীদি লৈবাক্কী ইকোনোমি, থবক ফংদবগী ৱাথোক অমসুং তিলহৌগী মমল হেনগৎলকপা গুম্বা মীয়ান্না হিংবগী মমল ৱাংখৎলক্লিবা অসিগী মতাংদা ৱাবগী মথৌ তাই হায়না মহাক্না হায়খি।

বিল অদুবু অমসুং বি জে পিবু শৌগৎপা মীওই অমবু লৈবাক নিংবা অমনি অমসুং মদুগী মায়োক্তা লৈবা মীওই অমবুনা এন্টি-নেসনেলনি হায়বা ৱাখল অসি ঐখোয়না হোংদোকপগী মথৌ তাই।

বিল অসিগী মতাংদা পুখৎখিবা হিরম পূন্নমক অদু গভর্ণমেন্টনা শোয়দনমক পাউখুম পীগদবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

বিল অদু য়াদবা মীওই অমবু দেসবিদ্রোহি (ট্রেটর) অমনি হায়না বি জে পিনা খল্লি হায়না থাক্করেনা হায়খি।

রাজ্য সাভদা পুথোকপদা বিল অসিদা হাপচিনহনবা পাম্বা অহোংবশিং শিব সেনানা পুখৎখি। রিফ্যুজিশিং অসি মফম কদাইদা ... করি ষ্টেটতা লৈগনি। মসি পূম্বসি ময়েক শেংগদবনি হায়না শিব সেনাগী লুচিংবা অসিনা মখা তাখি।

ঐখোয়না ৱাহং খরা পুখৎখি অদুবু মদুগী পাউখুমশিং পীখিদে। লৈবাক অসিবু বি জে পি খক্তনা শেন্নবনি হায়বা অসিদি শেরান্ননা শাগৎপা অরানবা ৱাখল অমনি হায়না থাক্করেনা হায়খি।

মসি কনানা পাম্মি নৎত্রগা কনানা পামদে হায়বগী য়ুমফমদা ঐখোয়গী ফিরেপ লৌরোই হায়না বিল অসিগী মতাংদা পার্টিগী ফিরেপ করিনো হায়না হংলকপদা মহাক্না খুমখি।

# প্রাইম মিনিষ্টরগী খুদোলশিং য়োনবদা লূপা ক্রোর ১৫.১৩ ফংখি

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ*

হৌখিবা চহী ৫দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা খুদোল তৌরকখিবা মেমেন্টোশিং অমসুং খুদোলপোৎশিং নিলাম লাওদুনা য়োনবদা লূপা ক্রোর ১৫.১৩ ফংখি হায়না কলচর মিনিষ্ট্রিনা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পার্লিয়ামেন্টতা পাউদমখ্রে।

রাজ্য সভাদা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা য়ুনিয়ন কলচর মিনিষ্টর প্রহলাদ পতেলনা হায়খি, শেনফম অদু ফেব্রুৱারি ১৮-২০, ২০১৫, জনুৱরি ২৭- এপ্রিল ১, ২০১৯ অমসুং সেপ্টেম্বর ১৪- এক্টাবর ২৪, ২০১৯দা পাংথোকখিবা ওক্সন ৩দা ফংখিবনি।

ফংলকখিবা শেনফমশিং অদু য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী নামামি গঙ্গে প্রোজেক্টতা পীখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

# সি এ বি রাজ্য সভাদা ঙসি পুথোক্কনি

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ*

চয়েৎনবা ৱাথোক ওইরিবা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল অদু হয়েং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রাজ্য সভাদা পুথোক্কদৌরিবা অদুদা পাস তৌবা ঙমগনি হায়না বি জে পিনা থাজে হায়না লিখুনশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং নিংথৌকাবগী অহিং অথেংবদা লোক সভাদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা ময়েক শেংবা মেজোরিটি অমগা লোয়ননা বিল অদু ফজনা পাস তৌখি।

রাজ্য সভাদসু লৈঙাক পায়রিবা এন দি এগী মশীং অদু লৈবনা বিল অদু পাস তৌগনি হায়না পার্টি মনুংগী লিখুলশিংনা হায়রি।

বি জে পিগী ফ্লোর মেনেজরশিংনা পারিবা অঙ্কগী মতুং ইন্না রাজ্য সভাগী লৈরিবা চপচাবা মশীং ২৩৮নি। হাউস অসিদা এন দি এগী হৌজিক লৈরিবা মশীংনা ১০৫নি। মসিদা বি জে পিগী ৮৩, জনতা দল য়ুগী ৬, শিরোমনি অকালি দলগী ৩, এল জে পিগী ১, আর পি আই (এ)গী ১ অমসুং নোমিনেটেদ এম পি ১১ য়াওরি।

মসিগী মথক্তা বি জে পিনা হৌজিক মেম্বর ১১ লৈবা এ আই এ দি এম কে, মেম্বর ৭ লৈবা বি জে দি, মেম্বর ২-২ লৈবা ৱাই এস আর সি পি অমসুং টি দি পিগা ৱারী শান্নরি। হায়রিবা পার্টিশিং অসিনা লোক সভাদা বিল অদু শৌগৎখিবা মরম্না রাজ্য সভাদা মখোয়গী শৌগৎপা ফংগনি হায়না গেরুৱা মচুগী পার্টিনা থাজবা লৈরি। মেম্বর ২২ অসিগী শৌগৎপগা লোয়ননা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা হাউস অসিগী মেজোরিটি মার্ক ১২০গী মথক্তা মেম্বর ১২৭গী শৌগৎপা লৈরগনি।

## GAS TODAY

**R & H Indane Service**
Booking : 16/10/19
Valid : 07/10/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Khoriphaba Gas**
Booking :04/11/19
Sl. No. : 60482 to 60762
Time : 07.00 to 07.30 a.m.

**Impbal LPG**
Booking : 07/11/19
Valid : 25/10/19
Sl. No. : 7416
Stk : 612
Time : From 08.30 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 05/11/19
Valid : 22/10/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Hrangchal Gas**
Booking : 07/11/19
Valid : 06/11/19
Stk : 306

**K & K Indane**
Booking : 26/10/19
Valid : 23/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : 11/11/19
Valid : 30/10/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**J. Rongmei Indane**
Booking : 18/10/19
alid : 15/10/19
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**R B D Indane**
Booking : 19/10/19
Valid : 13/10/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Maibia Gas**
Booking : 19/10/19
Valid : 17/10/19
Sl. No. : 0471 to 1500
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Lamsang Gas**
Booking : 24/10/19
Valid : 23/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Loktak Indane**
Booking : 23/11/19
Stk : 210
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 19/10/19
alid : 10/10/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.00 a.m.

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-327**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 4 | 1 | | | 2 | 8 |
| 8 | | | | 2 | | 6 | | 7 |
| 2 | 4 | | 8 | 3 | | | | |
| 7 | 1 | | | | 3 | 4 | | |
| 5 | 8 | | | | 4 | 2 | | |
| | 6 | 3 | | | 2 | 8 | | |
| | | 7 | 2 | | 8 | | | 4 |
| | | 4 | 7 | 6 | | | 8 | |
| | | 8 | | | 5 | | 6 | |

**সনা-সুদোকু-৩২৬ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 8 | 5 | 9 | 2 | 3 | 1 | 7 | 4 |
| 4 | 2 | 9 | 1 | 8 | 7 | 6 | 3 | 5 |
| 3 | 1 | 7 | 5 | 4 | 6 | 9 | 8 | 2 |
| 2 | 9 | 8 | 3 | 1 | 4 | 7 | 5 | 6 |
| 5 | 6 | 1 | 7 | 9 | 2 | 3 | 4 | 8 |
| 7 | 4 | 3 | 6 | 5 | 8 | 2 | 9 | 1 |
| 1 | 5 | 6 | 8 | 7 | 9 | 4 | 2 | 3 |
| 9 | 3 | 2 | 4 | 6 | 5 | 8 | 1 | 7 |
| 8 | 7 | 4 | 2 | 3 | 1 | 5 | 6 | 9 |